# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 06-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর রাজ ভবনবু লোক ভবন ইম্ফাল হায়না খঙনরগনি।

২) ইন্দিগোগী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌরকপগী য়েংলগা দি.জি.সি.এনা পাইলোতশিংনা এরোপ্লেন পাইবগী পুংশিংদা অককবা মতম থল্লম্বা অদু কোমথোকবা ৱারেপ লৌরে।

অমসুং

৩) ২৩ শুবা ইন্দিয়া-রাসিয়াগী চহিগী মীফমদা য়ান্নবা লাকখিবা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন ঙরাং রসিয়াদা হনখ্রে।

------

রাজ ভবন (এল)ঃ ইম্ফালদা লৈবা রাজ ভবনবু লোক ভবন ইম্ফাল হায়না খঙনরগনি। খোঙথাং অসি কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রালয়না মমাং থাগী ২৫ দা অইবা চেরোল অমা পীরক্কুনা খঙহনখ্রবা মতুং রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মীং ওনবগী অয়াবা পীখিবনি। মসি খুদক্কগী চৎনরগনি হায়না রাজ্যপালগী সেক্রেতরি সুমন্ট সিংহনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ থা অসিগী ১২ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মরিসুবা ষ্টেট লেবেল বরাক ফেষ্টিভেল ২০২৫ গী মাংওইননা ফেষ্টিভেল অসিগী ওর্গনাইজিং কমিতিগা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ঙরাং ইম্ফালদা লৈবা লোক ভবনদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা ফেষ্টিভেল অসিগী চংগদবা শেনফম, তৌগদবা প্রোগ্রামশিং অমসুং ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়ামগী পুকিং করমা চিংশিনগদে হায়বা ৱাফমশিং খন্নখি। ফেষ্টিভেল অসি চহি অসিগী ওইনা সেনাপতি জিলাগী জিলিপৌদা হেরিতেজ ইন হারমোনি হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কনি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালনা ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা সিয়ার এন্দ কেয়ারগা খুৎশমদুনা শন্দোকপা লৈতারশি পুকিং ৱাখল হায়বা থৌরম অসিগী চহি ৮ মপুং ফাখ্রে। মসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়মদা থৌরম অসিবু মপুং ফানা পুথোকপদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংবু তরামা ওকপা অমসুং খুদোল পোৎ পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সিয়ার এন্দ কেয়ারগী ফাউন্দর প্রোফেসার ডাঃ আর.কে. লেনিন, হান্নগী অকাশবানি ইম্ফালগী প্রোগ্রাম হেদ আধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র অমসুং প্রোগ্রাম হেদশিং হৈক্রুজম দেবেন্দ্র অমসুং নোংথোম্বম রোমানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। লোয়ননা লৈতারশি পুকিং ৱাখল থৌরমগী লিলা ইবা, শক্তম লাংবা আর্টিষ্টশিং অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংদা খুদোলপোৎশিংসু খুৎশিন্নখি।

লৈতারশি পুকিং ৱাখল হায়বা অকাশবানিগী থৌরম অসি ২০১৭ কী নবেম্বর ১৬ তা হৌদোকখিবনি। ঙসি ফাওবদা থৌরম অসি লিলা, ক্বিজ, ৱারী ৱাতাই শান্নবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মওং মতৌশিংদা পুন্না ইপিসোদ ১৮৯ শন্দোকখ্রে।

প্লে (এল)ঃ ৫৪ শুবা ওল মণিপুর সোর্ট প্লে কম্পিতিসন ২০২৫ ঙসিদগী থা অসিগী ১২ ফাওবা ইম্ফালগী য়াইস্কুল পুলিসলেনদা লৈবা মণিপুর ড্রামাতিক য়ুনিয়নগী ওদিতোরিয়ামদা পাঙথোক্লগনি। কম্পিতিসন অসি থিয়েতর সেন্তর মণিপুর অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি ইম্ফালনা পন্না শিনবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা কাংবুগী পুন্না সোর্ট প্লে ১৫ উৎকনি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়রি- লৈবাক অসিগী হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, ঝারখন্দ, ওরিষা অমসুং পঞ্জাবতা ঙসি কা হেন্না অইংবগী ফিভম লৈগনি। ৱেদর এজেন্সি অসিনা মখা তানা হায়- হিমাচল প্রদেশ, ওরিষা, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা লৈচিল কুংনা থাবা অমদি ইংবা মায়োকগনি।

ফ্লাইট ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা হায়রি- ইন্দিগোগী ফ্লাইট পাক্তকনা কেন্সেল তৌরকপদগী মীয়ামা থেংনরিবা সমস্যাশিং ঙসিদগী কোক্লগনি। সরকারনা এয়ারপোর্টশিংদা হৌজিক বেকলোক লৈরিবশিং অদু হন্থনবা মরী লৈনবশিংগা কন্না হোৎনরি। এয়ারপোর্ট অমসুং এয়ারলাইন্স ওপরেতরশিংদা পিক্লিবা অঙাংশিং, মমাশিং, সেনিয়র সিতিজন অমসুং পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিশিংদা হেন্না অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা মখোয়গী চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎপা পীদনবা তকশিনখি।

ভারত্তা এয়ারলাইন্সশিংগী রেগুলেতর ওইরিবা দি.জি.সি.এনসু পাইলোতশিংনা এরোপ্লেন পাইবগী পুংশিংদা অককবা মতম থল্লম্বা অদু কোমথোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অমরোমদা, ইন্দিগোগী সি.ই.ও- পিতর এলবর্সনা এয়ারলাইন্স অসিনা কেন্সেল তৌরকপদগী মীয়ামা খুদোংচাদবশিং মায়োকবগীদমক ঙাকপীনবা ফোংদোরক্লি। ভিদিও মেসেজগী খুত্থাংদা পীবা মহাক্কী ৱারোলদা নুমিৎ খরনি অসিদাা এয়ারলাইন্স অসি ফ্লাইট কয়া কেন্সেল তৌখি। ঙরাং খক্তদা ফ্লাইট লিশিং ১ হেনবা কেন্সেল তৌখি। এয়ারলাইন্স অসিনা থা অসিগী ১০ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা হান্নগুম মথৌ তৌবা ঙমগনি হায়না মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, ভারত রেলৱেজনসু ফ্লাইট কেন্সেল তৌরকপা অসিগী য়েংদুনা রেল গাড়ি ৩৭ তা অহেনবা বোগি ১১৬ হাপচিনদুনা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীওইশিং খরা শাফনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

পুটিন ঃ  ২৩ শুবা ইন্দিয়া-রাসিয়াগী চহিগী মীফমদা য়ান্নবা লাকখিবা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন ঙরাং রসিয়াদা হনখ্রে। মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী  ভারত খোঙচৎতা লৈবাক অনিনা ঙাকশেল, লল্লোন ইতিক, হকশেল, শেল থুম, মহৈ মশিং, কলা সংস্কৃতি অমদি মিদিয়াগী লমশিং য়াওনা য়ান্ন-ৱারোল ১৬ সহি তৌনখি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা ২৩ শুবা ইন্দিয়া-রাসিয়াগী চহিগী মীফমগী তুংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারত অমসুং রসিয়াগী মরুপ মপাং ওইবা অসিনা মালেমগী শিংনবা কয়া মায়োকনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি। থাজবা অসিনা লৈবাক অনিগী তুংগী মরীদা হেন্না খুমাং চাওশিনহল্লগনি হায়রি। তেরোরিজম থেংননবা হোৎনবদা ভারত অমসুং রসিয়ানা অমত্তা ওইনা লেপ্লি।

রাষ্ট্রপতি পুটিননা মহাক্কী ভারত খোঙচৎকী অরোইবা নুমিৎতা মহাক্কা ফম মান্নবা ভারতকী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। তুংদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা শ্রী পুটিনবু এয়ারপোর্ট ফাওবা থিনদোকখি।

দিল্লি ঃ  দিল্লি পুলিসনা নেসনেল কেপিতেল রিজনগী মনাক নকপা মফমশিংদা তোঙান তোঙানবা হিংশাগী থবকশিংদা চেন্নবনি হায়বা গেং খুৎপু অমগী মীওই ১৬ ফারে।

দিল্লি পুলিসকী পার্সোনেল ৮৫০ না ঙরাং অথেংবদা চথখিবা ওপরেসন অমগী মখাদা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। দিল্লি পুলিসনা হায়- মীওইশিং অদু মীচমদগী নমদুনা শেল খায়বা, আইন্না য়াদবা মওংদা নোংমৈ করবার তৌবা, ড্রগ ত্রাফিক্কিং অমদি হুরান চিন্থি তৌবদা চেন্নবশিংনি।

হোক্কি ঃ  তামিলনাদুদা চথরিবা এফ.আই.ঐচ. হোক্কি মেন্স জ়নিয়র ৱার্ল্ড কপকী ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতনা বেলজিয়মবু পেনালতি

সুটআউটতা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। অপিবা মতমদা টিম অনিনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা পেনালতি সুটআউন তৌবদা ভারতনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখিবনি। ভারতকী টিমদা মণিপুরগী তলেম প্রিয়োবর্তা অমসুং থৌনাউজম ইঙালেম্বা লুৱাং য়াওরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন্তি সোসিয়েল ইলিমেন্টশিংবু মণিপুর লৈঙাকা ৱার্নিং তৌখ্রে, কিহন খঙহনবদা চেন্নবনি হায়বা জি-ফাইভকী কাদর ৩ পুলিসনা ফাগৎখ্রে অমসুং থোইদিংজম তোম্বীদা লাইফটাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লান্থোকখ্রে, চীং-তমগী খেন্নবা কলচরশিংনা মণিপুরবু মশক তাক্লি হায়বা রাজ্যপালগী ৱাফমনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং ময়ুমদা হঞ্জগে হায়বদা হঞ্জিনহনবগী মহুৎ তিয়ার গ্যাই কাপশিনবা, ফুবা চৈবগী ফিভম লৈরিবসি তোক্কুনা সেন্তরনা চহি অহুম ফাদ্রিঙৈদা ইরৈচাশিং মশা মশাগী ময়ুমদাা হঞ্জিনহল্ল হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অমসুং মণিপুর রাজ ভবন, লোক ভবন হায়না নৌনা মিং থোনখ্রে হায়বা পাউশিং ফোটোগা কোন্ননা নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ২০২৩ অমসুং ২০২৪ গী মীওই ৬৯ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি মনা খুৎশিন্নখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা হৌজিক নৌনা শারিবা বোর্দর ফেন্সিংগী ফিট ১০০ দগী ২০০ ফাওবা শাংবা শরুক শকখঙদবশিংনা ককথৎতুনা থল্লমলে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মণিপুরগী চান্দেল জিলাদা হৌজিক শারিবা বোর্দর ফেন্সিংগী শরুক শকখঙদবশিংনা ককথৎলম্লে হায়না ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রি গ্রাম শরক য়োজনা ফেজ থ্রিগী মখাদা পায়খৎকদবা লম্বী

শেন্বগী থবকশিং হন্দক্কী ৱার্কিং সিজনদা হৌবা ঙমলোইদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে হায়বা পাউ ফোটোগা কোন্ননা পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ইম্ফাল য়ৌরক্কদবা, চৎখিগদবা ইন্ দগো ফ্লাইট ১২ কেন্সেল তৌখি, লন্বীগী অৱাবা মায়োকরিবশিং হেন্না ৱারে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সোইল হেলথ কার্দ শাদবা লৌমীশিংদা সরকারগী ওইবা খুদোংচাবশিং পীদনবা থৌরাং য়াৎপা হৌরে হায়বা এগ্রিকলচর বিভাগকী দিরেক্তরগী ৱাফম দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং বজারদা নৌনা থাবা রিজিৎ পেবমেন্টনা চৎথোক চৎশিনদা নুংঙাইহল্লবসু মসিদগী থোরকপা উফুলনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া পীরে হায়বা পাউ অসিনা তমেংলোং টাইমসকী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নাপা পিপলস ফ্রন্ট সেনাপতি দিভিজন্না এদভেন্ট খৃষ্টমাস ২০২৫ পাঙথোকখিবা অমসুং নাগা খুলগী খুল্লাকপশিংনা নাৎকী ওইবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাকনবা নৌনা ৱাশক লৌখ্রে হায়বা পাউশিং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা অমসুং অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------